# ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ১৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ককচিং, আগষ্ট ২৯ ঃ ফিল্ম ফোরম মণিপুর লিংখৎখিবগী ১৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

মখল মখা কয়াগী ঈশৈ নোংমাইগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা হায়, লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিং অসিদি মশাগী পীথোরকপা গুন অদুনা অয়াম্বনি। অতোপ্পা লৈবাক্কী আর্টিষ্টকুম তমদুনা ওইরকপা নত্তে। লমদম অসি ঈশ্বরনা পীথোরক্লবা লমদম অমনি। অদুবু ঈশ্বরনা পীথোরক্লবা মগুনশিং অদু হেন্না মশক থোক্কা ফজহন্নবদি ঐখোয় ইশানা মখোঙ শোমদুনা হোৎনবা মথৌ তাই।

লমদম অসিগী মায় ওইরিবা আর্টিষ্টশিং অসিগীদমক লৈঙাক লৈরি। লৈঙাক অসিদা অমুক তোঙানবা আর্ট এন্দ কলচর হায়বা দিপার্টমেন্ট অমসু লৈরি। হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসিদা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংগী থৌগাইশিং লোয়না ইন্থোকপগী মহুত্তা দিপার্টমেন্ট অসি আর্টিষ্ট ঐখোয় মীয়ামগীনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু লৈদুনা অমনা অমদা মতেং পাংনবা মথৌ তাই।

আর্ট এন্দ কলচর হায়বসি অদুক্কী মতিক পাক চাউবা তম্বদা লোয়বা নাইররোইদবা ফিল্ড অমনি। হায়রিবা অসুক চাউরবা ফিল্ড অসিগী তম্নবা লমদম অসিদা কলচর য়ুনিভর্সিটি অমা হাংদুনা অহানবা সেমিষ্টর লোয়শিনখ্রে। লৈঙাক অসিনা কলচর য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক মফম চাবা অমা কন্না থিরি, অথুবদা মফম অদু ফঙলগনি। মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা ফিল্ম সিটি অমা শেমগৎপা হায়বসি লৈঙাক অসিগী মঙলান অমনি। লোয়ননা মমাঙগী লৈঙাক্না কলচরেল পোলিসি শেম্বা অয়াম্বা লোইরম্লে। অদুনা কলচরেল পোলিসি অসি ওফিসিয়েল ওইনা গেজেট নোটিফিকেসন অমা থোক্কদবা ঙাইরে। মসিগীদমক অথুবদা মরী লৈনবশিংগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফোরম অসিগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা ফিল্ম ফোরমগী জেনরেল সেক্রেটরী ঙাংবম ঘনশ্যামনা হায়, মতম অমদা মণিপুর সিনেমা হোলশিংদা হিন্দি ফিল্ম উৎপা থিংখিবদগী হোলগী সিনেমাশিং অমদি ফিল্ম পামজনা য়েংজরিবশিং দা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। মতম অদুদগী ফিল্ম হৌরক্তুনা ২০০২ গী মে ৫ দা ইম্ফালগী ফ্রেন্দস টোকিসতা কংলা ফিল্মনা পুথোকপা 'লানমৈ' মীয়ামদা উৎখি। মসিগী মতুংদগী ফিল্ম কম্পনি কয়া থোরক্তুনা ঙসিদি ফিল্ম মশীং য়াম্না পুথোকপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হান্নগী ফিল্ম ফোরমগী থৌ পুরম্বশিং অমদি হৌজিক থৌ পুরিবশিংবু অচম্বা খূদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেয়ারমেন এস মঙ্গোলজাও অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ডাঃ কে সুশিলানা থৌরম অদুগী থৌরম মপু অমদি অথোইবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

# চান্দেলগী ইমুং ২৫৪ দা এলপিজি ফঙহনখ্রে

এস এন এস

চান্দেল, আগষ্ট ২৯ ঃ প্রধান মন্ত্রী উজ্জৱালা যোজনা স্কিম (পিএময়ুৱাইএস) গী মখাদা জফৌ বাজারদা লৈবা বিদি গ্যাস এজেন্সিনা ইমুং ২৫৪ দা এলপিজি ফঙহনখ্রে।

বিদি গ্যাস এজেন্সি চফৌ বাজারনা শীন্দুনা এলপিজি সেফটি ক্লিনিক কম পিএময়ুৱাইএসকী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু ঙসি চফৌ বজারদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা আইএফসি অমসুং য়াস মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপনা অথোইবা মীথুংলেন, দিপ্যুটি কম্মিস্নর চান্দেল কৃষ্ণকুমার (আইএএস) না থৌরম মপু অদুগা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন (আইওসি) গী মেনেজর (এলপিজি-এস) ইম্ফাল টু ষ্টেফেন চিংখনসোন গুইতেনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

বিদি গ্যাস এজেন্সিগী প্রোপ্রাইটরনা ৱাহৌদোক পীরদুনা হায়, খুন্নাইগী শেনমীৎলোনগী মতুং ইন্না লায়রবগী পনখৈ মখাদা (বিপিএল) লৈবা য়ুমথোং খূদিংদা পিএময়ু ৱাইএসকী মখাদা চহী ২ গী মনুংদা চাকথোং গ্যাস ফঙহন্নবা পান্দম থল্লি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা স্কিম অসিগী মখাদা ইমুং লিশিং ১৯ দা খূদোংচাবা অসি ফঙবা য়াই। এজেন্সি অসিনা হৌজিক ফাওবদা ইমুং ২৫৪ দা চাকথোং গ্যাস ফঙহনখ্রে। ঙসি থৌরমগা মরী লৈননা ইমুং ৯১ দা এলপিজি য়েন্থোকখি।

লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা ইমুং ৪৬৮ দা চাকথোং গ্যাস অসি ফঙহন্নবা পান্দম থল্লি।

মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়, পিএময়ু ৱাই স্কিম অসিনা চীংদা উ-ৱা য়াম্থত্তুনা উমং কোকথোক্তুনা চাক থোংনবা দরকার ওইবা শীং ওইনা শীজিন্নবগী চাং চাদা ৪০ দি কনবা ঙম্লগনি।

২০২২ ফাওবদা লায়রবা কোকহনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কিম ১০ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা পায়-খৎলক্লিবা অসি ঐখোয়না মপুং ফানা শৌগত্তুনা শান্তি লৈবা নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি। স্কিম খূদিংমক কান্নবা ফঙফম থোকপা মীওইশিংদা ফঙহন্নবা হোৎনসি।

লৈবাক অসিগী সিটিজননি হায়না শক খঙনবা আধার কার্দ হিরম অসিদা মথৌ তাই। অদুনা চীংনুংদা লৈবা মীওইশিংনা মথৌ তাবা আধার কার্দ ফঙনবা হোৎনবদা মীওই খরনা লান্না পাউথোক্তুনা অথিংবা পীরিবা অসিসু তৌবীগনু হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পিএময়ুৱাইএসকী বেনিফিসরিশিংদা বিদি গ্যাস এজেন্সিনা এলপিজি কন্নেক্সন কার্দ, ষ্টোপ অমদি সিলিন্দরনচিংবা য়েন্থোকখি হায়রি।

# নোংমৈ কাপথোক্লুবা পুলিস ওফিসর কোর্টতা পুথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯ ঃ থাসিগী ২৭ কী নুমিদাংদা মালোম তুলিয়াইমা ময়াই লৈকাইদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী নার্কোটিক এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দর (এনএবি) গী ওফিসর-ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎকী থোঙ্গালদা নোংমৈ রাউন্দ ৩/৪ কাপথোক্লুবনি হায়বা পুলিসকী য়ুনিট অসিদা পোষ্টিং লৈরিবা এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর (এএসআই) অমা ঙসি কোর্টতা পুথোকখ্রে।

এএসআই অদুগী মমিং লাইশ্রম সৈত্যজিৎ (৩০) অপোকপা এল হেমন্ত কৌই। মহাকসু মহাক্কী ওসি অসিগী লৈকাইদগীনি। হৌজিক্কা য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবনি।

থৌদোক্তুগা মরী লৈননা ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা নম্বোল পুলিস্তা কমপ্লেইন্ট অমা তৌরকখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা এএসআই অসি মহাক্না কাপথোক্লুবা নোংমৈদুগা লোয়ননা ঙরাং পুলিস ষ্টেসন অসিদা চঙজরকখিবনি।

মহাকপু ঙসি কোর্টতা পুথোক্লদুনা পুলিসনা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা থাসিগী ৩১ ফাওবা নুমিৎ হুমনিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখিবনি। অদুমকপু মহাক ঙসি নুমিদাং ফাওবদি সার্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌবগী পাউদি লৈত্রি।

থৌদোক অদু এএসআই সৈত্যজিৎনা মমান্নবা খরগা পিকনিক চৎলুরগা হল্লকপদা মফমদুদা চঙলুবনি। মফমদু য়ৌরগা মহাক্না চৎমিন্নরিবা মমান্নবা অমদগী লাইসেন্স পিষ্টোল অদু অমুক্তা য়েঙগে হায়দুনা লৌরগা খঙহৌদনা নোংমৈ রাউন্দ ৩/৪ কাপথোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০১৩ গী জানুৱারী ১১ দা ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা মতমদুগী পুলিসকী এসআইয়ুনা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী য়াল্লবা দ্রগশিং ফাগৎখিবা থৌদোক্তুগী মতুংদসু মহাক্কী ময়ুমদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রবনি। থৌদোক্তুগী মতাংদদি পুলিসনা থবক অমত্তা লৌখৎখিধবনি।

অমরোমদা দ্রগশিং ফাখিবা কেস অদুগী ট্রাইয়েল হৌজিক স্পেসিয়েল কোর্ট এনদিপিএসতা চত্থরিবনি।

# টিচর্স ট্রেনিং কলেজগী মহৈরোইশিং পুন্সি মাঙগদৌরেঃএমসু

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯ ঃ নেসনেল কলেজ ওফ টিচর্স এদুকেসন (এনসিটিই) গী মখাদা মণিপুরদা হাংলিবা বিএদ অমদি এমএদ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিংদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈদুনা পুন্সি মাঙগদৌরে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী রোশন গোলমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এনসিটিই না ২০১৬, ওক্তোবর ১০ দা ওনলাইনগী খূত্থাংদা থাগৎলকপা ঈ-পাউশিং কলেজ অমত্তনা খঙহল্লমদবা অমদি পাউ পীদবনা হৌজিক ফাওবদা কলেজ অনী হায়বদি ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ টিচর্স এদুকেসন খা নাওরেম লৈকাই অমদি আইদিয়েল টিচর্স ট্রেনিং একাদেমী শজিৱা ইম্ফাল ইষ্ট নত্তনা অতৈদি মুৎখিবা য়াবগী ফিভম অমদা লৈরম্লে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্সটিট্যুসন খূদিংমক ওনলাইনদা মেন্দাটোরি এফিদেবিট সিষ্টেম (এমএএস) তা থাগৎলক্নবা ২০১৬ নভেম্বর ১৫ ফাওবা অরোইবা মতম পীদুনা খঙহনখি। অমুকসু চহীদুগী দিসেম্বর ১২ ফাওবা শাংদোকখি।

মখা তানা এনসিটিইগী ৱেবসাইটতা খূদোংচাবা অমখক চৎলিবা চহীসিগী মাচ১৭ ফাওবা পীখি। মপুং ওইনা টিচর্স এদুকেসন ইন্সটিট্যুট খূদিংমক সবমিসন তৌবগী অরোইবা মতম এপ্রিল ১৭ ফাওবগী মনুংদা ছো কোজ নোটিশকা লোয়ননা থাজিল্লক্লবদি, এনসিটিই এক্ট ১৯৯৩ গী সেক্সন ১৭(১) গী মখাদা রিকগনিসন কক্লবশিং ৱিদ্রোয়েলগী খূদোংচাবা লৈগনি হায়রি।

মখা তানা অমুক চহীসিগী জুলাই ১৫ ফাওবা অমুক শাংদোকখি। অদুবু বিএদ কলেজ অমত্তদা ফোর্মেল ওইনা অইবা চেরোল নৎত্রগা ই-মেইলগী খূত্থাংদা ওইরবসু থাজিল্লকখিদে। অদুবু অরোইবা ওইনা কলেজ খরদি খঙহল্লমখি অমসুং ভারত পুম্বগী ওইনা পুল্লোই লোইরবা খূদোংচাবা এনএএসকী খূত্থাংদা থাজিনগদবা অদু আগষ্ট ৩১ দা ওইখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি লৈবাক খুন্নাই অমবু মীপান তাংদনা চাউখৎপা পুন্সিরোল অমদা পুরক্কে হায়রবদি মী শেমগৎপা মথৌ তাই। অদুবু এনসিটিইনা একাদেমীক সেসন ২০১৭-১৮ গী রিপোর্ট লৌখৎপদা মণিপুরগী বিএদ কলেজ অনীদগী হেন্না য়াওরমদ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে।

অমরোমদা রিকগনিসন কক-খ্রবা কলেজশিংদা মহৈরোইশিং তম্বীগনু হায়না এনসিটিইনা মখোয়গী ৱেবসাইটতা থাগৎলমখি। এমসুগী টিমনা টিচর্স ট্রেনিং কলেজ অয়াম্বা চত্তুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা ষ্টেট সরকারগী অমত্তা ঙাইরবা দিএম কলেজ ওফ টিচর্স এদুকেসন অমদি প্রাইভেট কলেজ অনী নত্তনা অতৈদি মরী লৈনবা চে-চাং এনসিপিইদা সবমিসন তৌবগী খূদোংচাবা ফঙদ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে।

ভারত সরকারগী ঐচআরদি মিনিষ্ট্রিনা ২০১৯ গী মার্চ৩১ ফাওবগী মনুংদা দাইট অমদি বিএদ লোয়শিন্দবা ওজাশিং থবক লৌথোক্লগনি হায়না খঙহনবসু লৈখ্রবনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মহৈরোইশিংগী মরাইবক অরুবা ফিভমদা লৈহল্লে। মণিপুর সরকারগী এদুকেসন (য়ু) দিরেক্টোরেট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা এনসিটিইনা ৱেবসাইটতা থাগৎলিবা অদুগী অকুপ্পা ঈ-পাউ খঙহন্দবা অসিমক এদুকেসনগী থৌদাং পুরিবা অঙম অথৌশিং কন্সত্রক্সন অমদি ট্রান্সফর পোষ্টিংদা হেন্না পুক্নিং লুপ্লে হায়বদু ময়েক শেংলে। মহৈরোইশিংগী পুন্সি মাঙবা য়াবগী ফিবম লৈরিবা অসিগী দাইত্ব কনানা পুগদৌরিবনো হায়না হংলদুনা এদুকেসন মিনিষ্টরনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেতুটোরি বোদি এনসিটিইদা অরোইবা মতম আগষ্ট ৩১ফাওবগী মনুংদা মহৈরোইশিংগী য়াইফনবা খুন্নাইবু কন্নবা হোৎনরবদি পূম্নমক্কী অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

# ফেষ্টিভেল ওফ খুবাক ঈশৈ অমদি প্রদক্সন ওফ বসন্ত রাস হৌদোকখ্রে

এস এন এস

ককচিং, আগষ্ট ২৯ ঃ দি নিমিতা দেবী আশ্রমনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা নুমিৎ ৩ নি চুপ্পা চত্থ-গদবা ফেষ্টিভেল ওফ খুবাক ঈশৈ অমদি প্রদক্সন ওফ বসন্ত রাস ঙসি শগোলবন্দদা লৈবা শ্রী শ্রী বিজয় গোবিন্দ মান্দপতা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্টর আই উপেন্দ্র শর্ম্মা, একাদেমী অসিগী রিটয়ার্দ প্রধান গুরু এস থানিল (প্দমশ্রী) অমদি সঙ্গীট নাটক একামেদী এৱার্দি এন শ্যামচান্দনা মথংশিংনা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা আই উপেন্দ্রনা হায়, মণিপুর অসি থায়নগী অহল লমন পারী পুরিদগী ঐখোয়না বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎত্রিঙৈ মমাঙদসু চাউরবা কলচরগী পুক্কে অমা লৈরম্বা, মদুগী মতুংদা ১৫ শুবা সেঞ্চুরিদগী মথং মথং মপানগী মতৌ তমদুনা মপানগী ধর্ম্ম অসি চৎলক্তুনা মীলান শম্ভোক শঞ্জোক অসি তৌরকপা অসিদা ঐখোয়দা য়ামনা কান্নবা অমা লৈরকপা অসি মতম অদুগী শেম্বীরম্বা অহল লমনশিংগী চাউরবা খূদোলনি। মতম অদুগী অহল লমনশিং অদুনা থম্বীরম্বা পোৎশিং অদুনি ঐখোয়না কায় কায়দুনা শীজিন্নরিবসি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা অহল লমন লাই গুরুশিং ওজাশিং অসিদা ঐখোয়না মখোয়গী লমন য়াম্না চাউনা তোনশিনবা লৈ।

লোয়ননা মণিপুরদা লাই হরাওবগী শত্তুম ময়াম, লাই হরাওবুং, গোবিন্দগী পালা লোইশঙ অমদি ১৯৫৪ দা লিংখৎখিবা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী অসি লৈরমদ্রিঙৈ ফাওবা হিংদুনা লৈরিবা মণিপুরগী কলচর অসি হিংলম্লোই হায়খি। হৌজিক হৌজিক লিংখৎলিবা শঙলেনশিং অসি অপুনবগী ওইনা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নবগী তঙাই ফদবা অমা লৈ অমদি মণিপুর গভর্নমেন্টকী মীহুৎশিং য়াওনা সংস্থানশিং অসিগা পুন্না ফমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুর নত্তবা ভারত সরকারনদি কলচর অসি চাউখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনৈ হায়বা অসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা পীরকইবা গ্রান্ট অসি মণিপুরগী ওইনা অদুক্কী মতিক য়াম্না ফঙখ্রবনি। পীথরক্লিবা শেনফম কয়া অসি ফঙলগা মাঙহনখিগদবদি নত্তে, মদুনা থবক হেন্না তৌবগী ৱাখল অদুনি ঐখোয়না লৌমিন্নগদৌরিবসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়শিল্লকপদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লমদম অসিদা লৈকাই লৈকাইদা জয়দেব চোংবগী ঈশৈ শকপীনবা মী লৈশিল্লক্তবা, নুপীগী নৎত্রগা নুপাগী ওইবা খুবাক ঈশৈ অসি শিথরকপা মতম অমনি। জৱহরলাল নেহরু দান্স একাদেমী না মতম মতগী ওইবা হরাও কুম্মৈ কাং, য়াওশঙ, ঝুলোন্না চিংবা লাকপা মতমদা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা মুত্তনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# এমসুনা অচা অথক য়েন্থোকখ্রে

এস এন এস

ককচিং, আগষ্ট ২৯ ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ৫২ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ককচিংনা কম্যুনিটি হেলঠ সেন্টর ককচিং অমসুং শুগুনুদা লৈবা অনাবশিংদা অচা অথক য়েন্থোকখ্রে।

এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম প্রভিন সিংহনা লুচিংবা টিমনা হেলঠ সেন্টর অনীসিদা লৈবা অনাবশিংদা ঙসি অচা অথক কয়া য়েন্থোকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ফগৎপা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিজখি হায়রি।

লোয়ননা ককচিং বাজার ইরাবত পার্ক, ককচিং খুনৌ বাজার অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেন্দল থানখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# মাও লোনগী রেঙ্ক হোল্ডরশিং ওকখ্রে

এস এন এস

ককচিং, আগষ্ট ২৯ ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুর অমসুং কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুরনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা ঐচএসএলসি অমসুং হায়র সেকেন্দরী একজামিনেসনশিংদা মাও লোনগী সবজেক্টতা রেঙ্ক হোল্ডর ওইরকখিবা মহৈরোইশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মাও একাদেমীনা শীন্দুনা তদুবী টাউন হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ট্রাইবেল হিলস অমসুং ফিসরিজগী মিনিষ্টর এন কায়সিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

# পুং ৪৮ গী মনুংদা মরাল লৈবশিং পুথোক্তুনা দন্দি পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনিঃজেএসি

এস এন এস

ককচিং, আগষ্ট ২৯ ঃ চৎলিবা থা অসিগী ১ দা সেনাপটিগী ভিয়ুলেন্দদা চহী নৌরিবা নুপীমচা অমদা নত্তবা লীচৎ চত্থখিবদা চেন্নবা মীওইশিং পুং ৪৮ গী মনংদা মণিপুরগী গভর্নমেন্টনা থিদোক্তুনা লৈবাক মীয়াম খঙনা পুথোকউ, নৎত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লিংমাই নাগা কটিমাই রুঙ্গ (এলএনকেআর) গী প্রসিদেন্ট এনকে জোবনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা মখা তানা মহাক্না হায়, মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী ক্লাস নাইন তম্লিবী নুপীমচা অমদা নত্তবা লীচৎ চত্থরম্বদা চেন্নবদা নত্তনা হাৎনবগী থৌরাং তৌরম্বা মীওই ঙসি ফাওবা হোম দিপার্টমেন্টনা ফাবা ঙমদনা লৈরিবা অসি য়াম্না অঙকপা পোকই হায়রি।

ঙসিদগী হৌরগা পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা থৌদোক্ অদুদা চেন্নবা মীওই অদু ফাদুনা মীয়াম মাঙদা পুথোক্কদবনি। করিগুম্বা মীওই অদুবু ফাবা ঙমদ্রবদি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জেএসিগা পুন্না খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লকপা অকনবা খোঙজংদা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্লবদি মদুগী দাইত্ব পুম্বা মণিপুর সরকারনা পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# এএপিনা বিজেপি মায়থীবা পীখিবদা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯ ঃ এএপিগী নেস্নেল কো-ওর্দিনেটরসু ওইরিবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালগী রুল্লিং পার্টিদা এমএলএ ওইরম্বদগী বিজেপিদা চোংশিনখিবদগী দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এমএলএ অমগী অহাঙবা সিটতা মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবদা এএপিগী মীরেপ্না বিজেপিবু মায়থীবা পীদুনা য়াম্না চাওনা মায় পাকখিববু আম আদমি পার্টি (এএপি), মণিপুরগী মায়কৈন্দগী নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

এএপি, মণিপুরগী ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর ওইরিবা থৌদাম মনিহারনা হায়, দিল্লিগী অহাঙবা সিট অমগী মীখলগী ফল অদুদা এএপিগী কেন্দিদেটনা ভোট য়াম্না হেন্দুনা মায় পাকখি।

লমায় ১ গী মখা

# মেডিয়া এন্দ পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিং ...

য়ুম্নাম খেমচান্দ সিংহনা থৌরম মপু অমসুং স্পিকর ওইরম্বা টিএন হাওকিপ এমএলএনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি।

সেসন অনী থোক্না চত্থগদবা সেমিনার অসিগী অহানবা সেসনদা টিএন হাওকিপ এমএলএনা লেজিসলেচর এন্দ মেডিয়া হায়বা হিরমদা অদুগা এলএমএস লো কলেজগী ফেকল্টি মেম্বর ডা. এন প্রমোদ সিংহনা পর্লিয়ামেন্টরি প্রোসিদিংসকা মরী লৈনবা কন্সটিট্যুস্নেল প্রোবিজন হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনগনি। অদুগা অনীশুবা নুংথীলগী সেসনদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং ওপোজিসন লিদর ওইরম্বা রাধাবিনোদ কোইজমনা পর্লিয়ামেন্টরি প্রোসিদ্যুর অমসুং সেনিয়ার পর্লিয়ামেন্টরিয়ান ও জয় সিংহ এক্স- এমএলএনা রিপোর্টিং ওফ দ প্রোসিদিংস ওফ হাউস এন্দ ব্রিচ ওফ প্রিভিলেজ অমসুং কন্টেম্প ওফ দ হাউস হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনগনি।

লমায় ১ গী মখা

# মফম কয়াদা ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনাং লৈখিদবগী...

অতোপ্পা অমনা জেলিয়াংরোং বৌদি মণিপুর অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট খূৎশম্নদুনা হাইপৌ জাদোনাং লৈখিদবা ৮৬ শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কোইরেঙ্গৈ জেলিয়াংরোং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নাগা পোলিটিকেল লীদরস ফোরমগী কনভেনর সোসো লোরহো এক্স মিনিষ্টরনা অথোইবা মীথুংলেন, কম্মিটি ফোর অল্টর্নেটিভ এগ্রিমেন্ট য়ুএনজিগী চেয়ারমেন অসিমপৌ গাংমৈনা থৌরম মপু, অদুগা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (জেদয়ু) গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দি অথুইবৌনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি। নাগা হোহোগী ভাইস প্রসিদেন্ট সামসন রেমৈ, নাগা মাদর্স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট আশা, য়ুএনসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এস মিলন, হান্নগী প্রসিদেন্ট পাউলিও, নাগা পোলিটিকেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী অথোন অপোনমৈ, নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট মোসেস অমদি তোঙান তোঙানবা নাগা ট্রাইবশিংগী প্রসিদেন্টসু শরুক য়াখি। ইম্ফাল কলেজ দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্ট্রিগী প্রোঃ লানমিনলুং গোলমৈনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। মহাক্না হাইপৌ জাদোংনাং এজ ফ্রিদম ফাইটর ঃ ইন্দিয়া ওর নাগা ফ্রিদম ফাইটর হায়বসিদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা য়ুএনসিগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈনা হায়, মণিপুরদা বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা মখোয়না শেম্বা আইন কয়ানা মীয়াম্বু ৱাহনখিবগী মায়োক্তা হাইপৌ জাদোনাংনা ইহৌ শাগৎখি। তুংগী মীরোলগী খল্লগা মহাক্না বৃটিশকা শীংনবদা মায় পাক্লোই খঙলবসু মখোয়না থম্লিবা আইনশিং অদু য়ানিংদে অমদি পেন্দে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলমখিবনি। মদুমক্না মহাক্কী মরাল ওইদুনা ফারগা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হাইপৌ জাদোংনাংগী ইতিহাস অসি বৃটিশনা ফজনা ইবীরম্মী। মহাকপু ফাউন্দর ওফ দি নাগা রাজ হায়বা মীংথোল ফাওবা পীরম্মী। অদুবু লুচিংবা অসিনা শাগৎলম্বা নাগা রাজ অদু মফম কদায়দা চৎখ্রবগে হায়বগী ৱাহং অমদি চাউনা মাঙদা তাদুনা লৈরে। বৃটিশ চৎখ্রে হায়দুনা লায়থোক্না লৈবা য়াদ্রি। ঐখোয়গী তুংগী ফিভম হেন্না লুশিল্লক্লি। অশেংবা নীং-খা তম্বা অদু ফঙদ্রি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হাইপৌ জাদোনাংনা লিংলম্বা নাগা রাজগী মরু অদু মতম কুইনা মাঙলুরবা মতুং ঈশ্বরনা চানবীবদগী ঙসিদি এনএসসিএন (আইএম) অমসুং ভারত সরকার অনীগী মরক্তা চত্থরিবা পিছ টোক অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুনা মপুং ফাহল্লগনি হায়খি। নাগাশিংগী আইদেন্টিটি অমসুং তোঙানবা পোলিটিকেল সিষ্টেম অমা ফঙলগনি হায়বগী থাজবসু লৈরে। মরম অসিনা নাগাশিং অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মতম অদু ঙাইমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্কুল খুদিংমক্তা লমদম অসিগী...

গভর্ণমেন্ট অসিনা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী মখাদা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খৎলিবনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর এন্টরপ্রেন্যুর এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস রিসিকুমার সিংহনা ইকাই খুম্নবা মীথুং অমসুং দাইরেক্টর হেন্দলুম এন্দ তেক্সতাইলস কে লামলি কামৈনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# হিরম খুদিংমক্তা য়েলহৌমীশিংদা খুদোংচাবা ...

মণিপুর অসি প্রোব্লেম কয়া লৈবা ষ্টেট অমা ওইরিবনি। মহারাষ্ট্রদা সিব সেননা চংশিল্লিবা মওং অসিদা মণিপুরদসু চংশিনবা ঙম্লবদি শোয়দনা মতুং তারকপা চহিশিংদা মণিপুরদা নোংমদি সিব সেনাসু লৈঙাক সাসন্দা য়াওরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

লমদম অসিদা নুপীশিং চত্থবা ক্রাইম অসি হেনগৎহন্দনবা হোৎনবা তাবনি। হৌজিক সেন্টরদা সাসন তৌরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা সিব সেনাগী মিনিষ্টর অমা য়াওরিবা অসি অথুবা মতমদা অতোপ্পা মিনিষ্টর অমগা হাপকৎনবা থৌরাং লোইরবনি। মরম অসিনা মিনিষ্টর মশীং হেনগৎলবদি শোয়দনা মীয়ামগী ইশু কয়া গভর্ণমেন্টতা পুখত্তুনা খঙহন্নবগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা সিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা হায়, লমদম অসিদা মীতোপ মীয়ানচা কয়া লেপ্তুনা চংশিল্লকপা অসিনা অচৌবা প্রোব্লেম কয়া থোক্লি। মণিপুরদা বঙ্গলাদেশি কয়া আইন কায়না চংশিন্দুনা লৈরি। সিব সেনানা মহারাষ্ট্র কনখিবগুম্ব সিব সেনা মণিপুরনা মণিপুরবু শোয়দনা কনগনি।

হৌজিক মণিপুরদা সাসন তৌরিবা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগীদমক তৌরিবা থবকশিং অসি য়েংলিবনি। মীয়ামগী অফবা থবক তৌবদি শোয়দনা তৌগনি। অদুম ওইনমক অরানবা তৌরকপা মতমদা সিব সেনানা তুমিন্না লৈশিল্লোই।

মণিপুর কনবদা জাতি ধর্ম্ম কুচু খায়বগী মথৌ তাদে। সিব সেনাগী পান্দমদি লৈবাক হান্না কল্লগা রাজনিতি কোন্না তৌবনি। মসিগী পান্দম অসি চপ চানা মণিপুরদসু পার্টিঅসিনা চংশিনগনি।

লমদম অসিদা নোংমা কাঙদনা থোক্লিবা নুপীদা চত্থবা ক্রাইমদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা পার্টি অসিনা গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ তৌরি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্টশিং, য়ুঠ অমসুং ৱুমেন ফ্রন্টকী লুচিংবা কয়াশু শরুক য়াখি।

# মণিপুর ভিজন ২০৩২গী পান্দম ফংহন্নবা...

অহানবদা ইং ২০০০ দগী ২০১৪ ফাওবদা হান্না লৈরম্বা হিরম নিপানদা য়ুম্ফম ওইবা মিলিনিয়ম দিভলপমেন্ট গোল হায়বা অমা লৈখ্রে। মদুগী মখা চত্থরকপদা তুংকোইনা সসটেন তৌবা ঙম্নবা সসটেনেবল দিলভপমেন্ট গোল হায়বা অমা হৌজিক চত্থদুনা লাক্লি।

য়ু এনগী পান্দম ১৭তা য়ুম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা ঙসি খন্নদুনা নৈন্নদুনা গোলশিং অসিদা করম্বা পোলিসি প্রোগ্রামনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চুশিন্নবা হেনগদগে, দিষ্ট্রিক্ট ভিজন অসি মপুং ফানা পুথোকপা ঙমগদগে হায়বদু য়েংবনি।

য়ু এনগী সসটেনেবল দিভলপমেন্ট গোলগী পান্দম অসিদা ফংহনবা য়াগদ্রা হায়বদু খন্নবা চংলি। লৈরিবা পান্দমশিং অসি এক্সপার্টশিংগা তান্নরগা করি করিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগা চান্নগদগে হায়বদু য়েংমিন্নবা লোয়ননা কম্মন ওইবা গোলশিং অদুদা প্রাইওরিতাইজ তৌবা য়াবা খন্দকপা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগা চুশিন্নবা ৱাৎকদবা অদুনা কোন্না খন্দোক্লগসু প্রাইওরিতাইজ তৌরিবা শরুক অদুদা চংশিনবা দরকার লৈ।

চহি ১৫গী মতুংদা ২০৩২ অসিদা ময়াম্না মঙলিবা মঙলান অদু করম্বা মঙলাননো হায়বদু খঙদোক্লগা মদু ফংহন্নবা হোৎনমিন্নবা দরকার লৈ হায়খি।

মসিদগী রিজোলুসন লৌদুনা ষ্টেট লেভেলদা পুথোক্তুনা খন্নদুনা ষ্টেট অসিগী য়াম্না মচং ওইবা ভিজন অমা শেম্নবা হোৎনবদা চংশিনমিন্নসি অমসুং মপুং ফাবা ভিজন অমা ওইহন্নবা হোৎনরসি হায়খি।

# ঙসি নুংথীলদগী এনঐচ-৩৭মতম কক্তনা...

জেএসিনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং অসি পীবগী মহুৎতা দিপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং এসপিনা ৱারী শান্নসি হায়দুনা জেএসিগী মীওইশিং নোনেদা কৌদুনা লৈরে। নেগোসিয়েসনগীদমক হয়ার ওফিসিয়েলশিং নুংবদা থারক্কদবনিসু হায়রি। খোঙজংসিদা শোকহনগদবা পূম্নমক্না মসিগী অৱাবশিং শরুক য়ামিন্নসি হায়রি।

# মীরেপ ৪৫২ মীরেপচে লৌথোকখ্রে

আর ও কৈরাও বিত্রাগী মখাদা ঙরাং প্রধান মীরেপ ১, জি পি মেম্বর মীরেপ ৭, ঙসিনা জেদ পি মীরেপ ৩, প্রধান মীরেপ ৯ অমসুং জি পি মেম্বর মীরেপ ৫০ মীরেপচে লৌথোকখি।

পাটশোয় আর ওগী মখাদা ঙরাং প্রধান মীরেপ ১ মেম্বর মীরেপ ২, ঙসিনা প্রধান মীরেপ ৪, জি পি মেম্বর ৯না মীরেপচে লৌথোকখি। লমশাং আর ওগী মখাদা ঙরাং জি পি মেম্বর মীরেপ ২ অমসুং ঙসিনা জেদ পি মীরেপ ২, প্রধান মীরেপ ২ অমসুং জি পি মেম্বর ৪না মীরেপচে লৌথোকখি। আর ও ৱাঙ্গোয়গী মখাদা ঙরাং জি পি মেম্বর ১ অমসুং ঙসিনা জেদ পি মেম্বর ৩, প্রধান মীরেপ ৭ অমসুং জি পি মেম্বর ৩৩ মীরেপচে লৌথোকখি।

লিলোং আর ওগী মখাদা ঙরাং প্রধান মীরেপ ৩,জি পি মেম্বর ১০ অমসুং ঙসিনা প্রধান মীরেপ ৪ অমসুং জি পি মেম্বর ৬৫না মীরেপচে লৌথোকখি। থৌবাল আর ওগী মখাদা ঙরাং জি পি মেম্বর ২ অমসুং ঙসিনা জেদ পি মীরেপ ৩, প্রধান মীরেপ ৭ অমসুং জি পি মেম্বর ৪৫না মীরেপচে লৌথোকখি। আর ও নম্বোলগী মখাদা ঙরাং জি পি মেম্বর ৩ অমসুং ঙসিনা জেদ পি মেম্বর৪, প্রধান মেম্বর ৪ অমসুং জি পি মেম্বর ১৪না মীরেপচে লৌথোকখি। বিষ্ণুপুর আর ওগী মখাদা ঙরাং জি পি মেম্বর ১ অমসুং ঙসিনা জেদ পি মীরেপ ১, জি পি মেম্বর ৪ মীরেপচে লৌথোকখি। মোইরাং আর ওগী মখাদা ঙরাং জে পি মীরেপ ২,জি পি মেম্বর১১, ঙসিনা প্রধান মীরেপ ৪, জি পি মেম্বর মীরেপ ১৯না মীরেপচে লৌথোকখি।

আর ও ককচিংগী মখাদা ঙরাং জেদ পি মীরেপ ১ অমসুং জি পি মেম্বর ৪, ঙসিনা জেদ পি মীরেপ ১, প্রধান মীরেপ ৬ অমসুং জি পি মেম্বর ২৪না মীরেপচে লৌথোকখি। ৱাইখোঙ আর ওগী মখাদা ঙরাং জি পি মেম্বর ৪, ঙসিনা জেদ পি মীরেপ ১ অমসুং জি পি মেম্বর ১৩না মীরেপচে লৌথোকখি। জিরিবাম আর ওগী মখাদা ঙরাং জেদ পি মীরেপ ১, ঙসিনা জেদ পি মীরেপ ৪, প্রধান মীরেপ ২ অমসুং জি পি মেম্বর ১৪না মীরেপচে লৌথোকখি।

# লাইরিক পীশল্লনি, লম্বী থীংজিল্লনি হায়দুনা রেল্লি চংখ্রে

মখোয়গী মহুৎ থাবীরক্কনি হায়রগসু থাবীরকখিদে। ওঝা অনীসি মথঙ থাগী ১৪দা ট্রান্সফর তৌখিবনি। অদুবু থাসিগী ৫দা স্কুলসিদা ওঝা অহুম থাবীরকপদগী মহৈরোইশিং অমদি স্কুল মেনেজমেন্টকী কম্মিটি হরাউখি।

অদুম ওইনমক থারকখিবা ওঝা অহুমসিগী মনুংদগী অমা থাসিগী ১৭তা ৱাঙ্খৈ হায়স্কুলদা অমুক ট্রান্সফর তৌখ্রে। অদুগা হান্নদগী লৈরকপা ওঝা অমবুনা নম্বোল কলেজিয়েট হায়স্কুলদা ট্রান্সফর তৌথোকখি হায়রি।

গভর্ণমেন্টকী থৌওং অসিবু পেন্দ্রদুনা ঙসি স্কুলসিগী মহৈরোইশিংনা পেন্দবা খোঙচৎ চংখিবগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফমসু ফমখ্রে।

# য়েলহৌমী কনবগী থবক এম এল এ ৬০না ...

মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা এম এল এশিংনা তৌগদবা থৌগাই কয়া অদু তাকপীদুনা লৌখৎহন্নিংবা থবক পাঙথোকহনবীয়ু।

লমদম অসিদা মুৎশি মুৎশি লৈরিবা ফুরুপশিং অসি কনসি হায়রবদি লৈরিবা এম এল এ ৬০ মক্না চপ মান্নবা ফিরেপ লৌদুনা মীয়াম্না পাল্লিবা য়েলহৌমী কন্নবা এক্ট অমা শেমফম থোকপনি। মদু নত্রবদি তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা শোয়দনা থিনা ঙাওনগনি।

মসিদগী ঙাকথোক্লুবগীদমক অমসুং অফবা শান্নরোই, মহৈরোই পুথোক্লুবগীদমক পুন্না চংশিনমিন্নদুনা মণিপুর অসি মালেমদা মাঙজিল থাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়না মখা তাখি। থৌরম অদুদা তকদোগী প্রসিদেন্ট এম রাজেন্দ্রো, তকদোগী এদভাইজর এস বিজেয়, আই এম সিগী কোর্পোরেটর ৱার্দ নম্বর ১ গাঙমৈ গাইদোন রোংমৈ, থায়োগী প্রসিদেন্ট এল বুংঙোবী, আর কে সিগী প্রসিদেন্ট এস নবকান্ত অমসুং নিয়োক কী প্রসিদেন্ট এন রোবাই সিংহ য়াওনা আই এম সিগী ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিতিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।